**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-04-2025)**

**টিন্টেদ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংগী ওইনা গাড়িশিংগী মিংশেলদা টিন্টেদ ফিল্ম নপলিবশিংনা চয়োল অমগী মনুংদা মশা মশানা লৌথোক্কদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মশা মশানা টিন্টেদ ফিল্ম লৌথোক্রবদি ফাইন থিহল্লগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলা অনিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটদ ওইরিবা-ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-টিন্টেদ ফিল্ম য়োল্লিবা দুকান মপুশিংনসু টিন্টেদ ফিল্ম য়োনবা খুদক্তগী তোক্কদবনি। করিগুম্বা নিয়মগী ৱাংমদা য়োল্লম্বা থোক্লবদি আইনগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎকনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-টিন্টেদ ফিল্মশিং অসি ভি.আই.পি, ভি.ভি.আই.পি, জেট নৎত্রগা জেট প্লজ কেটেগোরিদা লৈবা মীওইশিংগী ওইনদি গাড়িশিংদা টিন্টেদ ফিল্ম নপ্পাগী অয়াবা পীরি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা মখোয়গী গাড়িশিংদা টিন্টেদ ফিল্ম নপনিংলবদি হোম বিভাগতগী অয়াবা লৌগদবনি।

**চান্দেল (এল) ঃ** চান্দেল জিলাদা ঙরাং ত্রাফিক কন্ত্রোল য়ুনিট অমা হাংদোকখ্রে। মসি জিলা অসিদা লম্বীগী খুদোংথিবা থোক্তনবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হাংদোকপনি।

চান্দেলগী এস.পি. বাবিতারানি স্বাইননা অথোইবা মীথুং ওইনা হাংদোকখিবা ত্রাফিক কন্ত্রোল য়ুনিট অদুনা জিলা অদুদা লম্বী চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবা থোক্তনবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এস.পিনা হায়-জিলা অদুদা লৈফম থোকপা মচাক মথুম নীংথিনা লৈত্রবসু পুলিসনা য়ারিবমখৈ অশোয় অঙাম থোক্তনবা লৌখৎফম

থোকপা থবকশিং লৌখৎলি। জিলা অদুদা নৌনা ত্রাফিক কন্ট্রোল য়ুনিট অমা হাংদোরকপবু জাফৌ বজার বোর্ডকী চেয়ারমেন অমদি খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

**প্লাষ্টিক (এল) ঃ** ওরিয়েন্টেল কলেজগী এন.এস.সি. য়ুনিট অমসুং ইকো ক্লবনা দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকা খুৎশমরগা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবা থিংবগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং কলেজ অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অদুগী প্রিন্সিপাল-ডা: এস. রঞ্জিৎনা লুচিংদুনা লম তু শেংদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা, ওজা, কর্ম্মচারিশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**কাং (এল) ঃ** য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনদুনা শ্রীশ্রী গোপাল দেব মন্দবতা চথরিবা অনিশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কাংখুৎনা নম্বোল কাংখুৎবু পাঞ্জল ২৪-১৩ দা থোইখ্রে।

**ৱাকফ ঃ** সুপ্রিম কোর্টনা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২৫ গী হিয়ারিং ঙসি মখা চথ্রগনি।

সংসদতা নৌনা পাস তৌখিবা এক্ট অসিগী মায়োক্তা থারকপা ৱাকৎশিংগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরক্কী ওইবা রাই অমত্তা পীখিবা লৈত্রি। কোর্ট অসিদা পুখৎলকখিবা তোঙান তোঙানবা এক্ট অসিগী মতাংদা ওইবা ৱাফম অহুম মখা তানা খন্নবগী মতম পীবিনবা কেন্দ্র সরকারনা হায়জরকখিবনি। ৱাকফ এক্টকী মায়োক্তা থারকপা ৱাকৎশিং তারবা তুংদা মরক্কী

রাই অমা পীননবা জজ অহুমনা শাবা বেঞ্চ অমনা খন্নরি।

কোর্ট অসিনা হায়-এক্স ওফিসিও মেম্বরশিং নত্তনা ৱাকফ বোর্ড অমসুং সেন্ট্রেল ৱাকফ কাউন্সিলগী মেম্বর খুদিংমক মুস্লিম খক্তনা ওইনবা কোর্ট অসিনা খন্নরি। অদুমওইনমক, রাই ওইনা পীবদি লৈত্রি।

**হেরাল ঃ** হরিয়ানাদা লম লৈবদা নারোন্দা শেল থৈদোকখি হায়বগী মতাংদা থিজিল্লিবা অসিগা মরী লৈননা ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা রোবার্ট ভদ্রবু মচিন হংনবা ঙসিসু মশা লাকবা খঙহনখ্রে।

কেস অসি শ্রী ভদ্রগী কম্পানিনা গুরুগ্রামদা লম লৈবগা মরী লৈনৈ। কেস অসিগা মরি লৈননা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা শ্রী ভদ্রবু অনিরক মচিন হংখ্রে।

অমরোমদা, নেসনেল হেরাল কেসকা মরী লৈননা কংগ্রেসনা অনেম্বা থাক্কী রাজনিতি তৌরে হায়না ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা মরাল শিরি।

রিসিকেসতা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী বৈসনো হায়-কেস অসি রাজনিতিগা মরী লৈনবা থবক থোরম নত্তে। শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থবকনি।

**জষ্টিস ঃ** চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া-সঞ্জিব খানানা মহাক্কী মতুংদা চীফ জষ্টিস ওইনবগীদমক বি.আর. গভাইবু প্রস্তাব তৌরি।

জষ্টিস-গভাই সুপ্রিম কোর্টকী অনিশুবা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা জজনি। মহাক্কী মমিং কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রালয়দা জষ্টিস-সঞ্জিব খানানা প্রস্তাব তৌখ্রে। হৌজিক হৌজিক চীফ জষ্টিস ওইরিবা-সঞ্জিব খানাগী মতম মথং থাগী ১৩ দা লোয়রগনি।

**এটিএম ঃ** সেন্ত্রেল রেলৱেজনা অহানবা ওইনা লৌখৎপা খোঙথাং অমদা মুম্বাই-মনমদ পঞ্চবতি এক্সপ্রেস রেলগাড়িদা এ.টি.এম. বুথ হাংদোকখ্রে।

রেলগাড়ি অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর অমনা নৌনা হাংবা এ.টি.এম. বুথ অসিদগী শেল লৌথোকপগী ভিদিও অমা কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা মহাক্কী ওফিসিএল এক্স একাউন্টতা থাগৎলকখি।

অকাশবানি পাউমীগা উন্নবদা সেন্ত্রেল রেলৱেজগী মকোক থোংবা ওফিসিএল অমনা হায়-অহানবা ওইনা রেলগাড়ি মনুংদা এ.টি.এম. বুথ হাংদোকপা অসি মায় পাক্লবা অমদি মীয়ামা পামরবদি অতৈ রেলগাড়িশিংদসু খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবা হোৎনগনি।

**হেরোইন ঃ** বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ষ্টেট স্পিপসিএল ওপরেসন্স সেলগী অপুনবা কাংবুনা পঞ্জাবকী অন্তরজাতিগা লোন্নবা শিমানা পরিংদা ঙরাং অহিং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ফারে। ফারবা মীওই অহুম অদুগী মনুংদা নুপী অমা য়াওরি।

বি.এস.এফকী পাউনা হায়-মখোয়দগী হেরোইন কিলোগ্রাম অনি ফাগৎপা ঙমলে। সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা মখোয় ফানবা হোৎনবদা মোটোর সাইকল তোংদুনা চেন্নবা হোৎনখি। অদুম্মকপু, মখোয় তান্নদুনা ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওই অহুম অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা পঞ্জাব পুলিসতা শিন্নখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** আই.পি.এল. টি-টোইন্তি ২০২৫ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়েলসপু সুপর ওভরদা থোইখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা দিল্লি কেপিটেলসনা অপিবা ওভর ২০ দা রন-১৮৮ লৌখি। রাজস্থান রোয়েলসসু রন-১৮৮ লৌবা ঙমখি। অদুবু, টিম অনি অদু সুপর ওভরদা অথোই অহেন

তান্নবদা দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়েলসপু থোইখিবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মনিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংদা-থাংজিং চীং কাবা য়াহনদবদা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, কংগ্রেসনা চথখিবা নেসনেল ৱাইদ প্রোটেষ্ট মনিপুরদসু পাঙথোকখিবা অমসুং মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা অমদি ইন্দিয়াগী খোঙথাং খঙনবা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকপীয়ু হায়না কোকোমিনা থমখিবা ৱাফম তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফম পাউচেদা-থাংজিং চীং কাবা য়াহন্দবা হায়বসি লাইনিংগী নীংতম্বদা শিংনবনি হায়না এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতিনা ঙাক্লগা চীং কাবা য়াহন্নবা হোম মিনিস্তরদা তকশিনখ্রে হায়না এম.পিনা থমখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-থাংজিং চীংদা অথিংবা থম্বা লাইবক থিবনি হায়না এম.পি. সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

বি.জে.পিনা কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংগী মথক্তা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট থাজিনবা, কিহন-খঙহনবগী থৌওংশিং খুদক্তা লেপকদবনি হায়না কংগ্রেস লুচিংবশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বি.জে.পিনা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটপু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নরে হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদসু মরুওইবা পাউ

ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-এপ্রিল ৩০ ফাওবদা লৈকাই লৈকাইদা মীফম পাঙথোকবা কোকোমিনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ৱাকফ এক্টকী মতাংদা হিয়ারিং চথবা হৌখ্রে, সেন্টরনা মতম পীবিনবা হায়জরকপদগী ইন্টরিম ওর্দর পীখিদ্রে, এপ্রিল ১৭ কী নুংথিল পুং অনিদা মখা তাবা হিয়ারিং চথরগনি হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা মমাংদা চুবা নোংগী চাংদগী হন্থনা চুগনি হায়না আই.এম.দিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুরদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই ১৪ সেক্যুরিতি ফাখিবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউনা গানফিয়ু মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।